
# ফ্রেঞ্চ ওপন ঃ এন্দি মরে, ষ্টান ৱারিঙ্কা, রাদৱানস্কানা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে


পেরিস, জুন ০২ :

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এন্দি মরেনা মফম অসিদা চথুরিবা ফ্রেঞ্চ ওপনগী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা স্লোবাকিয়াগী মার্টিন কলিজানবু ৬-৭ (৩/৭), ৬-২, ৬-২, ৭-৬ (৭/৩) তা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখি।

কুমজা ২০১৬ কী রন্নর্স-অপ ওইখিবা মরেনা মথংগী রাউন্দ মেচতা অর্জেন্টিনাগী জুআন মার্টিন দেল পোত্রোগা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি। চহী ৫ গী মতুংদা অহানবা ওইনা পেরিসতা শান্নরিবা দেল পোত্রোনা মহাক্কী মায়োক্নগদবা নিকোলাস অমাগ্রোনা মখুউগী অনাবা লৈবদগী শান্নদনা রিটয়ার্দ তৌখিবদগী লাষ্ট ৩২ দা খুমাঙ চাউশিনখি।

অর্জেন্টাইনগী জেইন্ট অসিনা মতম খরা মশাগী অশোকপা লৈবদগী শান্নদনা লাকখ্রবা মতুং সিজন অসিদা মায় পাক্না কোর্টতা হল্লকখিবনি। সুজানে লেঙলেন কোর্টতা চথুখিবা মেচ অদুদা ৱর্ল্ড নম্বর ৫০ শুবদা লৈরিবা কালিজানা ৱিন্নর ৫৭ কনখি। অদুবু মহাক্না অনফোর্স ইয়রর ৬৬ তৌখিবদগী টোপ সীদ মরেগী মায়োক্তা কুইনা লেপ্পা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

মেচ লোইরবা মতুং মরেনা হায়, মেচ অসি য়াম্না টফ ওইখি। মার্টিন্না শাফু কন্না বোলশিং য়ৈখি অমদি য়াম্লবা ৱিন্নরশিং কোর্ট শিনবা থুংনা কন্দুনা শান্নখি হায়না ফোঙদোকখি।

মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক গেমসকী ফাইনেলদা স্কোট অসিনা দেল পোত্রোবু মায়থীবা পীরমখিবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মেচ অসি য়াম্না টফ ওইনা চৎখি। জুআন মার্টিন্না মহাক্কী রেঙ্কতগী হেন্না ফনা নিংথিনা শান্নখি। দেল পোত্রোনা শান্নগদবা মেচতা স্পানিসকী ওপোনেন্ট অলমাগোনা মশাগী ওই থংবা মখুউদা অনাবা লৈখিবদগী শান্নদনা রিটয়ার্দ তৌখি।

কুমজা ২০১৫ গী চেম্পিয়ন অমদি অহুমশুবা সীদ ষ্টান ৱারিঙ্কানা য়ুক্রেনগী আলেকজেন্দর দোলগোপোলোভপু ৬-৪, ৭-৬ (৭/৫), ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা তরারকশুবা ওইনা লাষ্ট ৩২ দা চঙখি।

ৱারিঙ্কানা মথংগী মেচতা ইটালিগী ফাবিও ফোগনিনিগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

জপানিজগী নিপানশুবা সীদ কৈ নিসিকোরিনা ফ্রাঞ্চকী জেরেমি চার্দিবু ৬-৩, ৬-০, ৭-৬ (৭/৫) তা মায়থীবা পীখি। কৈ নিসিকোরিনা মথংগী মেচতা সাউথ কোরিয়াগী হৈয়েওন চুংগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

ৱর্ল্ডগী ৬৭ শুবা মফমদা লৈরিবা মশাগী চহী ২১ শুরবা চুংনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা য়ু এস এগী ২৭ শুবা সীদ সাম কুরেসিবু মায়থীবা পীরবা মতুং উজবেকিষ্টানগী দেনিস ষ্টোমিনবু ৬-১, ৭-৫, ৬-১ দা নমহৎখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওসনা সাউথ অফ্রিকাগী বিগ-সার্ভিং কেবিন এন্দরসনগী মখূৎতা ৫-৭, ৬-৪, ৬-১, ৬-২ দা মায়থীখি।

মালেমগী ৫৬ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা এন্দরসন্না ১৮ শুবা সীদেদ ওষ্ট্রেলিয়নবু নমহৎখিদুনা মায় পাকখি। কিরগিওসনা মেচ অদুদা অনফোর্স ইরর ৪২ তৌখি।

এন্দরসন্না মথংগী মেচতা বৃটেনগী কেলে ইদমুনগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

মশাগী চহী ২১ শুরবা রসিয়াগী কারেন কাচনোভনা মহাক্কী মশক থোকপা পার্ফোমেন্স অদু মখা তানা উৎখিদুনা চেক্কী ১৩ শুবা সীদ টোমাস বার্দিচপু ৭-৫, ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।

টোমাস বার্দিচনা চহী ৭ কী মমাঙদা ওপন অসিগী সেমী ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখি।

নুপীগী ইভেন্টতা ক্রাইদগী ফেবরাইট ইবেনি বৌচার্দনা লাটবিয়ানগী ১৭ শুবা সীদ অনাষ্টাসিজা সেবাষ্টোবাগী মখূৎতা ৩-৬, ০-৬ তা মায়থীহৌখি।

ওপন অসিদা এঞ্জেলিক কর্বরনা য়াম্না ঙন্না লৈহৌখিবদগী চেক্কী অনীশুবা সীদেদ কারোলিনা প্লিসকোবা অমদি রোমানিয়াগী অহুমশুবা সীদেদ সিমোনা হালেপনা ফেবরাইট ওইরি। প্লিসকোবানা মমাঙদা শান্নখিবা তরুক্লক্তা অমুক্তা ফাওবা সেকেন্দ রাউন্দ লাম্থোকপা ঙমদনা লৈখিবনি।

মশাগী চহী ২৫ শুরবা চেক অসিনা মথংগী মেচতা রসিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ৮৬ শুবদা লৈরিবা ইকাটেরিন আলেকজান্দ্রোবাগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

কুমজা ২০১৪ গী রন্নর্স-অপ তাখিবা হালেপনা জর্মনগী ৱর্ল্ড নম্বর ১০২ দা লৈরিবা টাটজানা মারিয়াগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

কুমজা ২০১৫ গী ক্বার্টর ফাইনেলিষ্ট অমদি হন্দক্তা লোইশিনখিবা রোমগী চেম্পিয়ন মঙাশুবা সীদ ইলিনা সবেটোলিনানা বলগেরিয়াগী টসভেটানা টিরোনকোবাবু ৩-৬, ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

পোলেন্দগী মাপনশুবা সীদেদ অগনিসকা রাদৱানস্কানা বেলজিয়নগী ক্বালিফাইয়র অলিসন ভান উটবাঙ্কবু ৬-৭ (৩/৭) ৬-২, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

# কে ঐচ অনৌ সিংহ মেমোরিএল চেছ টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,, জুন ০২ :

মণিপুর চেছ এসোসিএসনগী থৌশিল মখাদা ক্বাকৈথেল চেছ ক্লবনা শিন্দুনা ইম্ফাল কোলেজগী মল্টিপর্পজ হোলদা জুন ১১ দগী ২৭ শুবা কে ঐচ অনৌ সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৭ পাঙথোক্লগনি।

কেশ প্রাইজগী চেছ টুর্নামেন্ট অসি কেটাগোরি অনীদা স্বিস লীগ সিষ্টেমগী মখাদা পাঙথোক্কনি। কেটাগোরিশিং অদুদি ওপন কেটাগরি অমদি অন্দর ১৫ ইয়রস কেটাগোরিনি।

টুর্নামেন্টঅসিদা শরুক য়ানিংবা থৱায় য়াওবা শান্নরোয়শিংনা জুন ৯ ফাওবগী মনুংদা রেজিষ্ট্রেসন ফোর্ম পীশিনগদবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী অকুপ্পা মরোলগীদমক মণিপুর চেছ এসোসিএসনগী সেক্রেটরি নৎত্রগা গেনাইজিং সেক্রেটরিদগী খঙলবা য়াগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইবদা লুপা লিশীং ২৫ গী শেনফমগা লোয়ননা ট্রোফি, অনীশুবা পোজিসন তাবদা লুপা লিশীং ১৫, অহুমশুবা পোজিসন্দদা লুপা লিশীং ১০, মরিশুবা পোজিসন তাবদা লুপা লিশীং মঙাশুবা পোজিসন তাবদা লুপা লিশীং ৫ পীগনি হায়রি।

# ইন্দিয়ন সট্লর বি সাই প্রানিথনা থাইলেন্দ ওপনগী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



বেঙ্কোক, জুন ০২ :

ইন্দিয়ান সট্লর বি সাই প্রানিথনা মফম অসিদা চথুরিবা য়ু এস দি ১২০,০০০ থাইলেন্দ গ্রান্দ প্রী গোল্ডগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা মায়োক্নখিবা লম্বাবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থীবা পীখিদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

অহুমশুবা সীদেদ প্রানিথনা লোকল প্লেয়র কান্তাফোন ৱাংচারোনবু নিমিবুটর ষ্টেদিয়মদা চথুখিবা মেন'স সিঙ্গলস সেক্নন্দা য়াম্না লায়না ২১-১৬, ২১-১৭ তা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট ফোরদা চঙবা ঙমখিবনি।

ৱর্ল্ডগী নম্বর ২৪ শুবদা লৈরিবা ইন্দিয়ন অসিনা মহাক্কী ওপোনেন্ট ৱর্ল্ডগী রেঙ্ক ১০২ শুবদা লৈরিবা লোকল প্লেয়রবু মায়থীবা পীবদা মিনিট ৫০ চঙখি। মশাগী চহী ২৪ শুরবা প্রানিথনা ঙসি শান্নখিবা মেচ অসিগী মমাঙদা ৱাংচারোনগা মমাঙ চহীগী ইন্দোনেসিয়ন মাষ্টরসতা অহানবা ওইনা লম্বা তৌদুনা শান্নখ্রে। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অদুদা প্রানিথনা ৱাংচারোনবু ১৮-২১, ২১-১৪, ২১-১৫ দা মায়থীবা পীখিবনি।

সিঙ্গাপুর ওপনগী চেম্পিয়ন অসিনা ঙরাং শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা মালেসিয়াগী ইস্কান্দর জুলকার্নিয়ানবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থীবা পীখিবনি।

পনবা য়াই, সিঙ্গাপুর ওপনগী চেম্পিয়ন প্রানিথনা ঙরাং শান্নখিবা মেচতা মালেসিয়াগী ইস্কান্দর জুলকার্নিয়ানবু ২১-১৩, ২১-১৮ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি। অহুমশুবা সীদেদ ইন্দিয়ন অসিনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা থাইলেন্দগী কন্টাফোন ৱাংচারোনগা লম্বা তৌননবা খোঙফম শেমখিবনি।

তরানিথোইশুবা সীদেদ সৌরবনা মঙাশুবা সীদেদ ফ্রান্সকী ব্রাইস লেবর্দেজগী মখূৎতা ১৬-২১, ২৫-২৩, ১১-২১ দা মায়থীহৌদুনা লৈহৌখি। নুপীগী সিঙ্গলসতা সাই উট্রেজিথা রাওনা থাইলেন্দগী পটারাসুদা চাইৱানগী মখূৎতা ১৫-২১, ১৭-২১ দা মায়থীহৌখি।


ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN - Foundation Course for Class I to X Starts: 25th May 2017 Time : 4:30 pm - 7:30 pm

Foundation Course for Class XI & XII Starts: 25th May 2017 Time : 4:30 am - 7:30 am Limited Seat




Felicitation of Toppers of HSLCE 2016

BOARDING FOR BOYS & GIRLS

Contact : 9856988840, 9402897710, 8732022342

VAN SERVICE AVAILABLE

HL-B/3857/9/5-9/6





M.O.D.I. FEST
MAKING OF DEVELOPED INDIA

Join Prime Minister Modi in Making of Developed India

Script the story for better tomorrow
Write a sentence along with co -participants & script your story of better India.

Information that empowers you
Information, Communication & Education about Government Schemes & Initiatives

Rating
Rate the Development work of your Government

Jan Ki Baat
Share your "Maan Ki Baat" with PM through postcard, recorded IVR or through All India Radio

Exhibition
Experience the making of developed India

Namo App
Download Namo App for wealth of Information & other content without internet connection

Entertainment & Engagement
Selfie with the PM, Quiz, Entertainment Lucky Draw & Inspiring Stories

Saath Hai, Vishwaas Hai, Ho Raha Vikas Hai

| CITY | Imphal East |
|---|---|
| LOCATION | Iboyaima Sumang Leela Hall (Shanglen) Palace Compund |

Date: 2nd to 4th June Time: 11 am onwards

ASSOCIATE SPONSORS

TATA · TATA PROJECTS · TATA CONSULTANCY SERVICES · National Highways Authority of India · EESL ENERGY EFFICIENCY SERVICES LIMITED A JV of PSUs under the Ministry of Power · SBI · PFC · Sterlite Power

davp 22112/13/0051/1718